HUEIYEN LANPAO
# হুয়েন লানপাউ
Refreshingly Reliable
The messenger of the masses




ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরনা শীন্দুনা জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককী কনফরেন্স হোলদা হিমোফিলিয়া অমদি থলাসিমিয়া লেম্না লায়েংবগী প্রোগ্রাম হৌদোকখিবা থৌরমগী শক্তম অমা

লামায় ১



নিংঙোল ক্লব হৈরোকনা শীন্দুনা হৈরোক অমদি ৱাংজিং তুরেলবু মোংশিল্লকপদগী কন্ননবগী পান্দমদা চথবা পোষ্টর কেম্পেন হৌদোকখিবগী শক্তম

লামায় ৩



মণিপুর ষ্টেট ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ ইম্ফালনা শীন্দুনা থা ৬কী ভোকেসনেল ট্রেনিং ফংলবশিংদা ফিশাকোন অমদি ইন্ব্রোইদরিগী মেছিনশিং য়েন্থোকখিবগী থৌরম

লামায় ৩



সঙাই হায়র সেকেন্দরি স্কুল চুন্দ্রেথোং মন্ত্রিপুখ্রিগী ১৭শুবা ফাউন্দেসন দে থৌরম পাঙথোকপগা লোয়ননা স্কুল অসিগী অফবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পুক্লিং থৌগৎপা

লামায় ৪


Vol. 43, Issue No.67 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী নোংমা পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, June 04, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## পি ঐচ ঈ দি অমসুং দি সীদগী রিপোর্ট কৌখ্রে

ইম্ফাল জুন ৩ (ঐচ এন এস): ষ্টেট অসিগী মী খ্বাইদগী য়াম্না তাবা টাউন অমা ওইরিবা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা নোংমগী হিংবদা তঙাইফদনা চঙলিবা ঈশিং ফংদ্রে হায়বগী ৱাকৎ অমা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)দা ফাইল তৌরকপদগী কম্মিসন অসিনা ...*মখা লামায় ৩ কলম২*

## HL Poll

Q:Mark wangna fanglakpa maheiroisingbu lannai school kharana lallonpot oina lourakle haiba yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q:India gi State khuding-makta Compulsory oina Hindi lol tamhanba mathou tai khanbra?

Yes 45% No 55%

## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AGARTALA |
| IndiGO | 13:25 |
| IMPHAL → | AIZAWL |
| Air India | 12:20 |
| IMPHAL → | DELHI |
| IndiGO | 14:30 |
| Air India | 15:55 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| Air India | 12:45 |
| Air Asia (India) | 13:00 |
| IndiGO | 13:45 |
| IMPHAL → | HYDERBAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| Air India | 14:45 |
| IndiGO | 15:30 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩২ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২০ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৪.৩৪ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০০

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 77.455364 |
| US Dollar | 69.269208 |
| British Pound | 87.596890 |
| Australian Dollar | 48.182383 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.027664 |
| Japanese Yen | 0.639580 |
| Malaysian Ringgit | 16.567710 |
| Australian Dollar | 48.182383 |
| Singapore Dollar | 50.546020 |
| South Korean Won | 0.058600 |
| Saudi Arabian Riyal | 18.471789 |
| Thai Baht | 2.202987 |
| Myanmar Kyat | 0.04548 |
| Bangladesh Taka | 0.82380 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | |
|---|---|---|
| Chennai | – | Rs 32898.40 |
| Mumbai | – | Rs 33689.84 |
| Delhi | – | Rs 33636.36 |
| Kolkata | – | Rs 33946.52 |

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## অস! লোইরেহে!

- শাখ্রেদা ইবোতোন শাখ্রেদা...!



- উ-ৱা খরগা হেন্না য়ান্থুৎলগা ফরক্কনি তাদা...!

# কুমজা ২০২২ ফাওবদা ইম্ফাল-টুপুল রেল লম্বী শেম্বা লোইরোইদৌরি

ইম্ফাল জুন ৩ (ঐচ এন এস): জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল রেলৱে লাইনগী শরুক ওইরিবা ইম্ফল-টুপুল রেল লম্বী অসি কুমজা ২০২২ ফাওবদা শেম্বা লোইরোইদৌরি।

প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনা জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল রেল লম্বী শেম্নবগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংদা পীরক্লিবা অপনবশিং লৈহন্দনবা মতীক চাবা থবক পায়খৎননবা মরী লৈনবশিংদা কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর থাদা খঙহনখ্রবসু হৌজিক ফাওবা রেল লম্বী অসি শেম্বগী থবক্তা হকথেংননা নৎত্রগা নাকোয়ননা অপনবা পীবগী থবক্তি লেপ্পনা চথরি হায়রি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়, জিরিবাম-টুপুল-ইম্ফাল রেল লম্বী অসি শেম্নবগীদমক টনেল হুৎপগী থবক অয়াম্বা লোইশিল্লক্লে। হৌজিক ৱাৎলিবা হায়ববু ইম্ফাল-টুপুলগী শরুক্তা লৈরিবা কিলোমিটর ১০.২৭ শাংবা টনেল নম্বর ১২ অসিখক্তমক ঙাইশিল্লক্লে। টনেল হুৎপা অমদি শেম শাবগী থবক্তা শীজিন্নরিবা মেছিন্নরিশিং অমদি মচাক-মথুমশিং মপান লমদগী অয়াম্বা পুশিল্লকই। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি নেসনল হায়ৱে নম্বর ৩৭ ইম্ফাল-জিরি লম্বী নৎত্রগা নেসনল হায়ৱে নম্বর ২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা তোঙান-তোঙানবা ট্রান্সপোর্টরশিংনা পুশিল্লকই। ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা ট্রান্সপোর্টরশিংনা পোৎচৈ পুশিল্লকপা মতমদা নুংবাগী মফম খরদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা অপনবা পীবা অমদি ট্রান্সপোর্টরশিংদগী য়াল্লবা শেনফম কয়া দিমান্দ তৌরি। মসিনা মরম ওইরগা ট্রান্সপোর্টরশিংনা রেল লম্বী অসি শেম্বদা চঙগদবা মচাক-মথুম পুশিল্লকপদা অপনবা কয়া থোকহনবতা নৎতনা মতম থেংথহনবগী মচাকসু ওইরি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, টনেল হুৎপগী থবক্তা শীজিন্নরিবা মেছিন্নরিশিং অসি কা হেন্না লুম্বনা ইম্ফাল-জিরি লম্বীদা পুশিল্লক্লুবা হোৎনবদা অপনবা ওইরি। মসিদসু নৎতনা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী মতম-মতমগী ওইনা অপনবা পীবসু অদুম্মক থোক্লি। ইম্ফাল-টুপুল রেল লম্বীগী শরুক ওইরিবা কিলোমিটর ১০.২৭ শাংবা টনেল নম্বর ১২ অসি হৌজিক ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

জে সী আই এল পি এসনা তাল্লিবা দিমান্দশিংগী ৱারোল য়াওবা পোষ্টর কেম্পেন চথখ্রে

# থাঙ্গাল কৈথেলগী মফমশিংদা কালিবারি রোদ হায়না ইরম্বশিং মুখৎখ্রে, সাইনবোর্দশিং লৌথখ্রে

ইম্ফাল জুন ৩ (ঐচ এন এস): জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস)না য়েলহৌমী কন্ননবগীদমক তাল্লিবা দিমান্দশিংগী ৱারোল কয়া য়াওবা পোষ্টর কেম্পেন চথখ্রে।

পোষ্টর কেম্পেন চথবা অদুদা থাঙ্গাল কৈথেল অমদি অকোয়বগী মফমশিংদা লৈবা দুকান অমদি বিল্ডিংশিংদা কালিবারি রোদ হায়না ইরম্বশিং জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী থৌমীশিংনা মচু শংজিন্দুনা মুখৎখ্রে, কালিবারি রোদ থারম্বা সাইনবোর্দশিং লৌথখ্রে। থেংনবা দুকান মপূ নৎত্রগা বিল্ডিং মপূশিংদা কালিবারি রোদ হায়না ইরিবশিং অদু মশা-মশাদা মুথৎহনখি।



জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভিনর ধনকুমার নিংথৌজা অমসুং ৱিমেন্স ৱিংগী কনভিনর টি ঐচ কুমুলৈমনা পোষ্টর কেম্পেন অদু শামু মখোঙদগী হৌদোক্লবা মতুং পাওনা কৈথেল অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা পোষ্টরশিং অদু থেৎখি। পোষ্টর অদুদা ৱি দিমান্দ-এসেন্ট টু দি মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮ পাস বাই দি এসেম্লি, নো সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সী এ বি) ইন নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া, এন আর সী অপদেসন ইন মণিপুর, সেভ ইন্দিজিনিয়স পিপলস ওফ মণিপুর হায়না ইরি। মসিগীসু মথক্তা ৱি কন্দেম রেসিএল পোলিসি ওফ ইন্দিয়া টুৱার্দস নোর্থ ইষ্ট, লেট অজ ওলসো প্রমোট দি ৱর্ক কলচর হায়বা ৱারোলশিংসু য়াওরি।

কেম্পেন অসিগা মরী লৈননা জে সী আই এল পি এস ষ্টুদেন্টস ৱিংগী কনভিনর ধনকুমার নিংথৌজানা হায়খি, জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টেমনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কঞ্জননবগীদমক হান্নদগী তান্দুনা লাকপা দিমান্দ কয়াবু মীয়াম হুপ্না খঙমিন্ননবা ঙসিদগী ৱাল পোষ্টর থেৎপগী কেম্পেন অসি চথবনি।

মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিনা পাস তৌখ্রবা দি মণিপুর পিপলস বিল ২০১৮ অথুবা মতমদা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা এসেন্ট পীবীয়ু, এন আর সী অপদেসনগী থবক লৈঙাক্লা অথুবদা পায়খৎলু, লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কল্লু, ইন্দিয়াগী কাঙলূপ নাইবা থৌশিল য়ানিংদে। ঐখোয় ইশানা ৱর্ক কলচর য়োকখৎসি। ইশানা ইশাগী থবক শূবগী হৈনবী লৈহনসি। লৈকায়-লৈকায়দা কা শান্দোক্লিবা য়ূম্বুশিংনা ইশাগী য়ূমদা থল্লিবা নন-মণিপুরীশিংগী রিপোর্ট জে সী আই এল পি এসতা পীবীয়ু। মরুওইনা য়ূম-কৈ শারিবশিংনা নন-মণিপুরী মিষ্ট্রি নৎত্রগা লেবর শীজিন্নবা লেপ্পীয়ু। চেক্কোন অমদি ফার্ম তৌরিবশিংনা মিষ্ট্রি অমদি লেবরশিংগী লিষ্ট জে সী আই এল পি এসতা অথুবদা পীবীয়ু। জে সী আই এল পি এসনা লোকল ক্লবশিংগা পুল্লগা য়ূম-য়ূমদা চঙদুনা নন-মণিপুরী মশীং খঙদোক্লনবা খোঙথাং লৌখৎলগনি। তুম্বা চল্লগা হিপ্পা চল্লি হায়বগুম্না নন-মণিপুরীশিংনা নোংম-নোংমগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৪*

# হিমোফিলিয়া, থলাসিমিয়া লেম্না লায়েংবগী প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস): ষ্টেট হেল্থ সোসাইটি, নেসনল হেল্থ মিসন মণিপুরনা পায়খৎপা হিমোফিলিয়া অমদি থলাসিমিয়া লেম্না লায়েংবগী প্রোগ্রাম ঙসি হৌদোকখ্রে।

জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা হিমোফিলিয়া অমদি থলাসিমিয়া লেম্না লায়েংবগী প্রোগ্রাম হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা হেল্থ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, হেল্থ সেক্তর অমদি এদ্যুকেসন্দা ইম্পোর্টেন্স পীগদবনি হায়বসি কদায়দা থবক পায়খৎলিবগে হায়না লমদমসিগী মীয়াম্না শোয়দনা হংনিংলমগনি। মমাঙঙৈদা তারমদবা লায়না মখল কয়া হৌজিক তারক্লি। হিমোফিলিয়া অমদি থলাসিমিয়া হায়বসি মমিংদি ফজবা অদুবু মী শিবা য়াবা লায়ওংনি। মসিদা নত্তনা অতোপ্পা কয়া অমসু লৈরমগনি। লায়না লায়ওংশিং লাকপা মতমদা লায়রবশিংদা চৈথেং পীরি।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, ষ্টেট অসি রিছোর্স লৈতবা মফমনি। নোর্থ ইষ্টতা মশক নাইবা অমা ওইনা এন সী দি সী মণিপুরদা অহানবা ওইনা লৈরগনি খল্লি। এন সী দি সীগী লম পীরে। শাননবা শেম-শারে। মসিনা হেল্থ সেক্তরদা অচৌবা অওনবা অমা লাক্লগনি। লিভর ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা হৈ-শিংলবা গঙ্গারাম হোস্পিটালগী স্পেশলিষ্ট ডোক্তর অমসু লাক্তুনা ইন্টরেক্সন তৌগদৌরি।

কেন্সর হোস্পিটাল অমা লিংনবগীদমক দি পি আর শেম-শাখ্রে। হেল্থ সেক্তরগী লমদা হোৎনরিবা কয়া অসি মীয়ামদসু খঙহন্নিংই। হিমোফিলিয়া নারে খঙলবশিংনা লেম্না লায়েংগনি। রিমস অমদি জেনিমসতা ঙসিদগী হিদাক পীবা হৌরগনি। অনাবা কাঙবুশিংদসু এৱেয়রনেস পীবা তঙাইফদে হায়নসু মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা জেনিমসকী দিরেক্টর ডা. ভিমোনা হায়খি, হিমোফিলিয়া হায়রিবা লায়না অসি ঈ থোক্লগা খকপা ঙমদবগী থৌওংবুনি। ব্লদতা য়াওবা প্রোটিন ৱাৎলগা ওইরকপা লায়না অমনি। মসি খঙনদ্রিঙৈদদি য়াম্না অরুবা লায়নানি হায়না লৌরম্মী। হৌজিক্তি মসিগী মরমদা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ডোক্তর লৈরে। জেনিমসতা স্পেশলিষ্ট ডা. অনিল লৈরকপদগী অনাবশিং লায়েংলকপদা লায়না অসিগী কেস মশীং য়াম্মী হায়বা খঙলে। প্রোটিনগী শরুক মেনখৎনবা মতম চানা হীদাক কাপহৌরবদি ঙাকথোকপা ঙম্মী। মসি ফংলগসু মমল তাঙবনা লৈবদা ৱাই। অদুবু ঙসিদি এন ঐচ এমগী খুত্থাংদা হিদাকসি থল্লগদবনা অনাবা মীওইশিং কনবা ঙমগনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা নেসনল হেল্থ মিসনগী ডা. এল তোমচা খুমন, জেনিমসকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডা. এম জিতেন্দ্র, জেনিমস ব্লদ বেঙ্ককী ডা. সুরজিৎ অমদি জেনিমসকী ডা. অনিলসু শরুক য়াখি।

# পুলিস শারগা ট্রক দ্রাইভরদগী শেল লৌরম্বা অমা ফারে

ইম্ফাল জুন ৩ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল-জিরি লম্বীগী শরুক ওইরিবা লৈঙাঙপোকপীদা পুলিস শারগা ট্রক দ্রাইভরদগী শেল লৌরম্বা মীওই অমা পুলিসনা ঙসি ফারে।

পুলিসনা ফারবা মীওই অদুদি এম দি নসির হুসেন (২৮) অপোকপা রিয়াজউদ্দিন কৌই। মহাক লাল্লোং পার্ট-৪, পি এস লক্ষিম্পুর, কছার অসামদগীনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনেল সুপরিন্টন্দেন্ট ওফ পুলিস (ওপস) এ কে সদানন্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈঙাঙপোকপী ভিলেজদা লৈবা থোইবী দুকানগী মমাংদা ঙসি অয়ূক পুং ৮.৩০ রোম তারকপদা কেমোফ্লেজ শেৎলগা পুলিস পর্সনেলনি হায়জবা মীওই খরনা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ট্রক দ্রাইভরশিংদগী শেল খাইরে হায়বা পাউ অমা লৈঙাঙপোকপী পুলিস আউট পোষ্টতা ফংখি। পাউ অদুগী মতুংইন্না খূদক্তা লৈঙাঙপোকপী পুলিস আউট পোষ্টকী ইন-চার্জ এন জয়ন্তকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা মফম অদুদা চঙশিনখি। মদুদা ট্রক (য়ু পি ৪৮ ঐচ টি- ১৪১২) খামহন্দুনা লৈরমখি। লোয়ননা ট্রক অদুগী দ্রাইভর সুরেশ কুমারদগী কেমোফ্লেজ শেৎপা মীওই অমনা পুলিসনি হায়জিল্লগা লুপা ৩,০০০ খাইরম্বা থেংনখিবনি। খূদক্তা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# ইদুল ফিটরগী য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, জুন ৩, (ঐচ এন এস): ইস্লাম লাইনিং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা কুম্মৈ ওইরিবা ইদুল ফিটরগা মরী লৈননা কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মিনিষ্টর করাম শ্যাম য়াওনা মায়কৈ কয়াদগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মিনিষ্টর করাম শ্যামনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অমনা হায়, শেংলবা নুমিৎ অসিনা লাকপদা খুন্নাই অসিদা মচিন-মনাও ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু। অমনা-অমগী য়াইফনবা থবক তৌবগা লোয়ননা মীয়াম মরক্তা অপুনবগী লীপুন হেন্না চেৎশিনবা ওইরসনু। মীপুম খুদিংমক্তা ইদুল ফিটরগী য়াইফ পাউজেল পীজরি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, মুসলমান ইচিল-ইনাওশিংগী খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ অমা ওইরিবা ইদুল ফিটরনা লাকপদা য়াইফ পাউজেল পীরি হায়না মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

য়াইফ-পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

# মৈহৌরোলগী থাঙ-তা অমদি হুয়েন লালোং চাংদম্নবা চহী খুদিংগী পাঙথোক্লগনি : সী এম

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মার্সল আর্ট (হুয়েন লালোং অমদি থাঙ-তা) চাওখৎহন্নবগী পান্দমদা চহী খুদিংগী ষ্টেট লৈঙাক্লা শীন্দুনা চীফ মিনিষ্টরস এন্যুএল ইন্দিজিনিয়স মার্সল আর্টস মীট (মৈহৌরোলগী থাঙ-তা অমদি হুয়েন লালোং চাংদম্নবা) পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।



চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটকী দরবার হোলদা ঙসি থাঙ-তাগী ওজাশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা ইন্দিজিনস মার্সল আর্ট ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎ কয়াগা উনখিবদা চীফ মিনিষ্টরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মীফম অদুদা ষ্টেটকী তোঙান-তোঙানবা মার্সল আর্টশিংগী ইন্সটিট্যুট অমদি স্কুলশিংগী মথৌ তাবা মচাক পুম্নমক খঙদোক্লবা য়ুথ এফ্যের্স এন্দ স্পোর্টসকী কম্মিস্নরনা চেয়রপার্সন ওইবা কম্মিতি অমা শেম্নবা খঙহনখি।

ইন্সটিট্যুট/স্কুল খুদিংমক ষ্টেট লৈঙাক্তা রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নৌনা শেমগদৌরিবা কম্মিতিনা মহৈরোই অমদি ট্রেনরশিংগী মশিং রেকোর্দ তৌগনি। থাঙ-তাগী লুপশিং অমদি ফাইনান্স, আর্ট এন্দ কলচর এদুকেসন (এস) অমসুং প্লানিং দিপার্টমেন্টকী অৱাংবা থাক্কী ওফিসলশিংসু কম্মিতিগী মেম্বর ওইনা য়াওগনি।


কম্মিতিনা জুন ২০ ফাওবগী মমাঙদা রিপোর্ট অমা পীখৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিজিনস মার্সল আর্ট মিট পাঙথোক্লবগী মতম লেপথোক্কনি। মণিপুরবু মালেমদা শক তাক্লিবা ষ্টেট অসিগী মার্সল আর্ট চাওখৎহন্দুনা নহারোলশিংগী লমচৎ শাজৎ শেমদোক্লগা অফবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়বা ৱাফমসু চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

তোঙান-তোঙানবা থাঙ-তা এসোসিয়েসনশিংগী মরক্তা লৈরিবা মত মান্নদবা পুম্নমক তুংওইনরম্লগা এপেক্স বোদি অমগী মখাদা পুন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। মণিপুরী মার্সল ...*মখা লামায় ৩ কলম ৬*

# ইম্ফাল ৱার সিমিত্রি, ইম্ফাল ইন্দিয়ন আর্মি ৱার সিমিত্রি মশক থোক্লা থম্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লরক্লি

এমদি মুসটাফা

ইম্ফাল, জুন ৩ (ঐচ এন এস): মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাওদা থৱায় থাখ্রবা লান্মীশিংগী মংফম ওইনা ইম্ফালগী দ্যুলালেন্দদা লৈরিবা ইম্ফাল আর্মি ৱার সিমিত্রিবু অমদি হট্টাদা লৈরিবা ইম্ফাল ইন্দিয়ন ৱার সিমিত্রি হেন্না মশক থোক্লা থম্নিংবগী অপাম্বা সিমিত্রিশিং অসিবু শেন্নরিবা ষ্টাফশিং অমদি য়েংবা লাক্লিবা কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।



ইম্ফাল ৱার সিমিত্রিগী মনুংদা লৈবা মফম অমদা সিরিঞ্জ কয়া তারম্বা

কম্মনৱেল্থ লৈবাক তরুক মথংশিংনা, ওষ্ট্রেলিয়া, কানাদা, ইন্দিয়া, ন্যু জিলেন্দ, সাউথ অফ্রিকা অমদি য়ুনাইটেদ কিংদম য়াওবা কম্মনৱেল্থ ৱার গ্রেভ কম্মিসননা কুমজা ১৯৫১ দগী শেম-শাবা হৌরগা কুমজা ১৯৫৪ দা শাবা লোইশিন্দুনা সিমিত্রি অসি থম্লকখিবনি। দ্যুলালেন্দ অমদি হট্টা মসজিদ রোদতা লৈরিবা সিমিত্রি অনী অসিদা ইম্ফাল অমদি কোহিমাদা লানফম ওইদুনা শোক্লখিবা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা লৈখিদ্রবা লান্মীশিংগী মংফম ওইনা সিমিত্রিশিং অসি শেমগৎখিবনি। ইম্ফাল ৱার সিমিত্রিদা লৈখিদ্রবা লান্মী ১৬০০ গী নীংশিং খূভম থল্লি। মসিগী মনুংদা মশক খঙলবা এয়র ফোর্সকী পর্সনেল ৮১, মশক খঙদ্রিবা ৫, মশক মমিং খঙলবা আর্মি ১৩৭৫, মশক মমিং খঙদ্রিবা আর্মি ১৩৩ য়াওরি। নন-কম্মনৱেল্থকী মশক খঙলবা লান্মী ৩, মশক খঙদ্রিবা ৩ অমগীসু য়াওরি। সী দব্লিয়ু জি সীনা ইম্ফাল ইন্দিয়ন আর্মি ৱার সিমিত্রি হায়না হট্টাদা শেম্লিবা সিমিত্রি অসিদসু লান্মী কয়াগী নীংশিং খূভম থল্লি। সিমিত্রি অসিদা লৈরিবা খূভমশিং অসিনা লৈখিদ্রবা লান্মী ৮২৮ গীনি। মুস্লিম সিফাইশিংনা অয়াম্বা ওইরি। সিমিত্রি অসিগী খাথংবদা লৈরিবা ইম্ফাল ক্রিমেসন মেমোরিএল অসিদা হিন্দু অমসুং সিখ সিফাইশিংগী মংফম লৈরি। ৱার সিমিত্রি অনী অসিদা পুন্না ইন্দিয়ন আর্মি ১৮০০ গী মথক্তা নীংশিংনবা মফম য়াওরি।

সী দব্লিয়ু জি সীগী মখাদা সিমিত্রিশিং অসি য়েংশিল্লি। ...*মখা লামায় ৩ কলম৪*





HL-B/5334/31may,2,4,6,8,10,12 june





HL-P/4134/7/5-5/6